# বেষ্ট পেপর এৱার্দ ফংলকপদা - ১

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

টাইপৈদা লৈবা হোৱর্দ প্লাজা হোটেলদা এ এ এস ঈ অমদি বি ঈ এস এম (এপ্লাইদ এন্দ এদভান্স সাইন্স একচেঞ্জ ইন্টরনেসনল কনফরেন্স অমদি বিজিনেস, এদ্যুকেসন, সাইন্স, মেনেজমেন্ট) অনীনা যূম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১৪দা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল কনফরেন্স অদুদা ঐহাকপু সেসন চ্যেয়র ওইনা খল্লকপদা নত্তনা বেষ্ট পেপর এৱার্দসু শিন্নরকপদা অসুক্কী মতিক নুংঙাইজবা অমদি ঙকপা ফাওজখি। হোয়, শান্ন-খোৎনবগী লম্‌দবুদি মখল মথেলগী নেশনলগী অমদি মালেমগী থাক্তা মনা কয়ারক ফংখ্রে অদুবু মহৈ-মশন তম্বগী লম্‌সিদদি অদুক য়াম্না ফংখিবা লৈত্রি হায়বা তারে। হৌখিবা চহীশিংদা স্পেসল ইনভাইটি স্পিকর ওইনা ঐহাক্কী রিছার্স পেপর প্রজেন্ট তৌখিবদি য়াওখ্রে অদুবু হন্দক্কী অসিগুম্না বেষ্ট পেপর এৱার্দকী মনা অমা ফংবদি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। হেন্না নুংঙাইহল্লিবদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অমদা অসিগুম্বা এৱার্দ অমা ফংজবা ঙম্বা অসিনি।

কনফরেন্স চ্যেয়রমেন ওইনা খল্লকপগী মরমদি ঐহাক্না ইংলিস প্রোফেসর অমা ওইনা লৈবদুদা মালেমগী ওইনা পাঙথোকপা কনফরেন্সনিনা পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌবদা হেন্না ফগনি খন্দুনা ঐহাকপু খল্লকপা মাল্লি। অদুগা ঐহাক্কী রিছার্স পেপর অসিবু বেষ্ট পেপর এৱার্দ পীরকপসি রিছার্স পেপর অসিগী মওং য়েংলগা, পেপর অসিগী ৱাহন্থোক য়েংলগা, মসিদা পীরিবা মপা-মমা, ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংদা য়াম্না কান্নগদবা ৱারমশিং য়াওবসিদা মাল্লি। মরু ওইনা হৌজিক্কান মোবাইল ফোন অমা পায়শিল্লগা, কম্প্যুটর মমাঙদা ফমজিন্দুনা ভিদিও গেমস, কম্প্যুটর গেমসনচিংবা মখল মখলগী গেমস, এন্টরটেনমেন্ট ময়াম অমদা লাইচুরবা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, লাইরিক পানীংদবা মহৈরোয় কয়াদা য়াম্না কান্নবা পীগনি হায়না খনবদগীসু মাল্লি।

ঐহাক্কী বেষ্ট পেপর এৱার্দ ফংলক্লবা রিছার্স পেপর অসিগী মমিংনা ***"THE IMPACT OF REGULAR EXERCISE OR SPORTS PARTICIPATION ON STUDENTS' ACADEMIC PERFORMANCE"*** হায়বনি। রিছার্স পেপর অসিগী মরু ওইবা পাউজেলদি হকচাং শাজেল চাং নাইনা তৌবা অমদি শান্ন-খোৎনবদা চাং নাইনা শরুক য়াবা মহৈরোয়শিংনা হকচাং শাজেল চাং নাইনা তৌদবা, স্পোর্টস শান্নদবা মহৈরোয়শিং অসিদগী হেন্না লাইরিক লাইশু তম্বদা পূক্লিং চঙবা হেল্লি, লাইরিক হৈবা হেল্লি অমদি তুংগী পুন্সিদা হেন্না মায় পাকপা ঙমগল্লি হায়বা অসিনি। ঐহাক্কী পেপর অসি অতৈ অতোপ্পা অখঙ অহৈশিংনা ইবা রিছার্স পেপর, থেসিস কয়া অমদি আর্টিকলনচিংবা অইবা কয়া পাদুনা ইখিবা রিছার্স পেপরনি। মসিগী মথক্তা ঐহাক্কী মহৈরোয়শিংদা চাং য়েংদুনা দাটা কয়া খোমগৎতুনা ইবনি। লোয়ননা হকচাং শাজেল চাং নাইনা তৌবা অমদি শান্ন-খোৎনবদা চাং নাইনা শরুক য়াবা মহৈরোয়শিংনা হকচাং শাজেল চাং নাইনা তৌদবা, স্পোর্টস শান্নদবা মহৈরোয়শিং অসিদগী হেন্না লাইরিক লাইশু তম্বদা পূক্লিং চঙবা হেল্লি, লাইরিক হৈবা হেল্লি অমদি তুংগী পুন্সিদা হেন্না মায় পাকপা ঙমহল্লি হায়বা হায়পোথেসিস অসিদা পান্দম ওইরগা ঐহাক্কী মহৈরোয় অমদা মরু ওইনা য়েংশিন্দুনা ইখিবা পেপরনি।

রিছার্স হৌরকপদা ঐহাক্কী মহৈরোয় অসি অয়াম্বা মতমদা খ্বাইদগী মনীং থংবা ফালদা ফমদুনা মহাক্কা লোয়নজবা মরুপ-মপাংশিং (লাইরিক্তা পূক্লিং চঙদবা মহৈরোয়শিং) অদুগা মোবাইল ফোন্দা নৎত্রগা মখোয় মশেল ওনশিন্নদুনা ৱারী শানদুনা লৈরম্বনি। অদুবু নোংমা ক্লাস তৌরিঙৈদা ঐহাক্না ক্লাস মনুংদা পীবা ক্লাস ৱর্কশিং অচুম অরান য়েংবগী তাঞ্জা অদু লৌদুনা মহৈরোয় অদুদা করিগীদমক মতম মাঙহল্লিবনো, নহাক্কী ইংলিসসু অদুম ফৈ, খরা হোৎনবা কল্লদি মার্ক য়াম্না ৱাংনা ফংবসু য়াই হায়দুনা মতম মাঙহনবগী মহুত্তা নশা ফনবা শাজেল তৌ হায়খি। শান্ন-খোৎনবগী মরমদা খঙনীংবা লৈরবসু ঐখোন্দা অদুম হংঙো হায়রুবদা য়েংগে হায়না হায়রকখি। নুমিৎ খরা লৈরগা ঐখোয় য়ুনিভর্সিটিগী জিমদা শান্নবা হৌরে হায়না ক্লাসতা তম্লকই। নুমিৎতুদগী মহাক্কী হোংলক্লিবা ৱাখল্লোন অমদি মরম সুম হেন্না মোক্লকপদুদা মমা-মপানা ঐহাক্না শান্নরিবা পুং ২৪ চূপ্না হাংবা জিম অদুদা মীং চনশিনবীরে হায়না পাউদম্মী ঐঙোন্দা।

মতুং তারকপদা মহাক্না অসুম্না মরম মোকনা শান্নবা অদুদা ঐহাক্না হান্না মঙোন্দা পনখিবা মশা-মউ ফবগী চাংদম্নবদা য়াও হায়খিবা অদু অমুক নীংশিংদুনা পল্লুবদা মহাক য়াওনীংই হায়না হায়রকই। মহাক্কী মতৌ অদুদা ঐহাক্নসু হেন্না মতেং পাংনীংদুনা মঙোন্দা শান্নবগী চার্টসু, মতৌ করম্না চাগনি হায়বগী চাবগী চার্টসু পীবিরে। মতাংসিদা তপ্না তপ্না অফবা, অচুম্বা মায়কৈদা অসুম লাকপনা মহাক্না হান্না মনীংদা মমান্নবশিংগা ফম্লম্বদো তোকখ্রে। আ মনীংদা ফমদুনা ৱারী শাদুনা, মোবাইল ফোন য়েংদুনা লৈরম্বা ঐহাক্কী মহৈরোয় অসি ঙসিদি মহাক্কী মরুপ-মপাংশিং লোইনা থম্লম্লগা খ্বাইদগী মমাঙদা থাবা ফালদা ওইনা ফম্লে। মদুসু নোংমা নিনিগী ৱা নত্তে, নুংতিগীনি। অসুম্না সুম সুম মমাঙদা ফমদুনা ঐহাক্না তাকপদা পূক্লিং চঙনা তাদুনা, মখোয়দা পীবা ক্লাস ৱর্কশিং তৌদুনা, মহাক্না খঙদবা কয়া হংদুনা সেমিষ্টর অমা লোইশিল্লে। সেমিষ্টর লোইশিন্দুনা ফাইনেল টেষ্ট তৌবদা হান্না চাদা ৮০ অদুৱাইদা লৈরম্বা মহাক্না ঙসিদি চাদা ৯৫ য়ৌরে মহাক্কী ফাইনেল টেষ্টকী মার্ক।

লাইরিক লাইশু ফবা হায়বসি মার্ক য়াম্না ফংলগা লাইরিক লাইশু হৈরে হায়বদি য়াদেকো। মহাক্কী মার্ক ৱাংনা ফংবদুদি অতৈসু মখোয় খরা অদুম য়াওদবা নত্তে। অদুবু মার্ক ৱাংনা ফংবগী মথক্তা য়াম্না কান্নরিবদি মহাক্কী হোংলক্লিবা হকচাংগী ফীভম, ৱাখল্লোন, হৌন-লোনচৎ, পূক্লিং চঙবা ঙম্বা, পুন্সিদা মঙলান থম্বা, অফবা চিঞ্জাক চাবগী হৈনবী, মতম চানা তূম্বা, মতম চানা হৌগৎপা, মতম চানা চানা অতৈ থবকশিং তৌবগী হৈনবীশিং অসি লৈরকপা অসিনি। অসিগুম্বা অহোংবা কয়া অমা লাক্লিবা অসিগী মরু ওইবা মরম অমা হায়রগদি মহাক্কী জিমদা পান্দম অমগা লোয়ননা শান্নবা অসিননি হায়না থমজগে। জিমদা চৎতুনা চাং নাইনা হেক শান্নবা হৌখ্রবা মীওই অদুদি অয়াম্বা মতমদা অফবা চিঞ্জাক চানবা হোৎনরক্কনি, মতম চানা তূম্নবা হোৎনরক্কনি, মতম মাঙহন্দনা শান্নরিঙৈদা তৌহৌদবা থবকশিং পাঙথোক্কে হোৎনরক্কনি। লোয়ননা চাহৈদবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা, য়ু পংথক থকচিনবা, ক্রাইমনচিংবা তৌবা অসিগুম্বা ফত্তবা হৈনবী কয়া অসিদগী লাপথোক্না লৈনবা মতম অয়াম্বদা হোৎনরক্কনি। মরমদি হায়রিবা ফত্তবা হৈনবীশিং অসিনা মহাক্কী শাজেল তৌবা নৎত্রগা স্পোর্টস প্রেক্টিশ তৌবদা অকায়বা য়াম্না পীবনা।

ঐহাক্কী মহৈরোয়-শান্নরোয় (এথলিট-ষ্টুদেন্ট) অসিনা থৱায় য়াওনা শান্নবা অদুদা ঐহাক্কী লুচিং মখাদা ২০২০ আই এন বি এ টাইৱান পাঙথোকপদা মিষ্টর ফিজিক্তা থোকউ হায়না হায়বদা মহাক কন্না শান্নবনি। মহাক্কী শান্নবদা মকোক থোংবা ওইনীংবগী ৱাখল্লোন অমদি হোৎনবা অদুনা মহাক্না তৌরু তৌরুবা অতৈ থবক্তুসু য়াম্না লায়না পূক্লিং চঙনা তৌবা ঙম্বনি। পান্দম অমগা লোয়ননা হোৎনদুনা লাকখিবনা হন্দক চহীগী ২০২০ আই এন বি এ টাইৱান নেসনলদা মহাক জুনিয়র কাঙলূপ্তা থোকপদা মিষ্টর ফিজিক্তা অহানবা মনা ফংখিবনি। অহানবা মনা ফংখিবতা নত্তনা মহৈগী লম্‌দসু চাদা ৮০ লৈরম্বা মহাক্না চাদা ৯৫ য়ৌবা ঙমখিবনি মহাক্কী ফাইনেল টেষ্টতা। ঐহাক্কী মহৈরোয়-শান্নরোয়দা ওইরিবসি ঐহাক্কী পুন্সিদদি কুইরে থোকখিবা ঐহাক্না খঙলুদবগী ৱানি মতমদুদা।

তশেংনা হায়রবদা হন্দক্কী ঐহাক্কী বেষ্ট পেপর এৱার্দ ফংবসি হকচাং শাজেল চাং নাইনা তৌবা অমদি শান্ন-খোৎনবদা চাং নাইনা শরুক য়াবা মহৈরোয়শিংনা হকচাং শাজেল চাং নাইনা তৌদবা, স্পোর্টস শান্নদবা মহৈরোয়শিং অসিদগী হেন্না লাইরিক লাইশু তম্বদা পূক্লিং চঙবা হেল্লি, লাইরিক হৈবা হেল্লি অমদি তুংগী পুন্সিদা হেন্না মায় পাকপা ঙমগল্লি হায়বা হায়পোথেসিস অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা ইখিবা রিছার্স পেপরনি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### /নূংশঙগী ওজাবু থাগৎচরি


Naorem Ibomcha

ঐগী হকচাংদা নুংশং হায়রিবা লায়না অসিনা নাদুনা লৈরকপনি। লায়ওংদি পোম্বা তঙবা, নায় চারগা অদুগা মখুল হুৎলকপা, মচুম তারকপা অসিনি। লাইবক ফবদগী মরুপ অমনা হৈঙাংদা চৎলু তাক্লকপদগী চৎচরুরে। নাওরেম ইবোমচা Phone No. 6009147645/8014023792 গী হিদাক চাবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা নুংঙাইতবা অদু পুংফা ফজরে। মরম অদুনা নুংশিরবা ওজাবু মতম পুম্বগী হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি।

থাগৎচরিবা - **Laitonjam Jayanta Singh**
Patsoi Makha Leikai, Part- 4
HL-P/7620/28 Sept. to 27 Oct.

### / 'ওজা ABDUL HAK পু থাগৎচরি'

পাউচে অসিদা কাবিরাজ ওজা **Abdul Hak,** Contact No. : 8794429681, 8014623756 থেংনজবদগী ওজাগী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মরম ওইদুনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হান্বদা মতম কুইনা চঙবা, মপূং ফানা অমাংবা শেংদোকপা ঙমদবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোল্লগা লৈবা অমদি অপোম্বা অদু চিকপা নাবা, মরক-মরক্তা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, মচুম অনাংবা তাবা, পূকচেপ নাবা, ঙকশম মরী নাবা, পাঙ্গল শোন্থবা, খ্বাঙ নাবা অদু ঙসিদি মপূং ফানা ফজরে। মরম অদুনা ওজাবু থাগৎচরি অমসুং মতম শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌদুনা পূন্সি নুংশাংনা হিংবীখো হায়না ঈশ্বরগী মফমদা প্রথনা তৌজরি।

**ওজাগী লায়েংফমদি :-**

1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6:00-5:00 p.m.)

*থাগৎচরিবা :* **Y. Iboyaima Meitei**
Mongsangei
HL-B/6457/15

### OFFICE OF THE MANIPUR TIMES IMPHAL

**Govt Regd, Sangakpham Bazar near SBI ATM Imphal**

| Sl. | Name of Post | Qualification | Sex | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Airport Ground Staff | 10th/10+2 | M/F | 18000-46000 |
| 2. | Bank Executive/ AC staff | 10+2/Graduate | M/F | 15000-38000 |
| 3. | Bank Clerk/CSO/ Cash officer | Any Graduate | M/F | 24000-68000 |

Last date form Submission : 17th Oct. (online)
Interview : 18th Oct. (online)
Sl.1 Posting : Imphal, Guwahati, Delhi & Chennai.
Sl. 2&3 Posting : Imphal & All Districts of Manipur.
Contact : 9077612178 Whatsapp : 6913827338

N.B. : COVID-19 না মরম ওইরগা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ওর্দর মতুং ইন্না মতম খরদি ইন্টরভিয়ু, সেলেক্সন, পেমেন্টনচিংবা প্রোসেস খূদিংমক ওনলাইনদা তৌজগনি।

### / NOTIFICATION

The 7th October, 2020

No. 2/MFPCS/NT/19 : It is hereby informed to all "A" and "C" Class Members of this society that as per resolution No. 3 of the Board of Directors meeting of the society held on 20/03/2020 regarding share contribution by "A" and "C" Class members were not appropriate in the Bye-laws No. 3 (1) (a) and (c) of the society.

If "A" and "C" Class members are willing to be members continuously, the members should fulfill the Bye-laws No 3 (1) (a) and (c) of the society (i.e. Rs. 1,900/- should be contribution newly out of Rs. 2,000/- due to Rs. 100/- already contributed at the time of admission) on or before 30-11-2020 Monday at Office hour. Failing which the Society will take further necessary membership cancellation process.

Sd/- **G. Rajenkumar Rongmei**
Managing Director,
Manipur Food & Medicinal Plants Processing and Cold Storage Co-operative Society Ltd.
HL-P/7748/15&16

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST : LAMSANG

**Ref :- Mutation case no. 309/SDC/IW-L/2020**

Moirangthem Somorjit Singh S/o (L) Brajalal Singh of Lamdeng Makha Leikai. - Petitioner

-Vrs-

Late Moirangthem Brajalal Singh S/o (L) Mahendrachandra Singh of Thangmeiband Leirung Purel Leikai. - OP/Party

**/ NOTICE**

13-10-2020

U/S 46 (3) of MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার মোইরাংথেম ব্রাজলাল সিংহ পীতা মৃত মহেন্দ্রাচন্দ্রা সিংহ সাং থাংমৈবন্দ লৈরুং পুরেল লৈকাইগী মীংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং. ১০৫-লমদেং খুনৌগী অনৌবা পাট্টা নং. ৩৫১ দাগ নং. ৪০৫/৪২৩ এরিয়া ০.১৫ চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথ্খজরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Imphal West, Lamsang
HL-P/7751/15

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR/NAMBOL

**Ref :- Mut. Case No. 833/SDC/NBL of 2020**

Ngangom Achou Singh S/o (L) Shamu Singh of Kakyai Mamang Leikai. *-Petitioner*

-Vrs-

Ngangom Matum Singh S/o (L) Thambou Singh of Kakyai. *- O.P.*

**/ NOTICE**

Dt. 14/10/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 8 - Kakyai Langpok Patta No. 174 (Old), 291 (New), Dag No. 1113, area 0.66 acre of Anganphou Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা লৌফম নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্নুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংন্না কেস মখা চথ্খগনি।

HL-P/7749/15
***Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol***

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR/NAMBOL

**Ref :- Mut. Case No. 831/SDC/NBL of 2020**

(1) Soraisham Nongthomba Singh S/o (L) S. Ibochou Singh of Kongkham (2) -do- (Ongbi) Meratombi Devi W/o S. Nongthomba Singh of Kongkham. *-Petitioners*

-Vrs-

(L) Soraisham Ibochou Singh S/o (L) S. Chaoba Singh of Kongkham.*-O.P.*

**/ NOTICE**

Dt. 14/10/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 21 - Kongkham Patta No. 130 (Old), 397/1002 (New), Dag No. 1061/P, Area 0.22 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি নং (১), (২) না মখোয়গী মীংদা ইঙ্খোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্নুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংন্না কেস মখা চথ্খগনি।

HL-P/7749/15
***Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol***

### GOVERNMENT OF MANIPUR OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES : MANIPUR

**/ NOTICE OF OBJECTION**

**Imphal, the 12th October, 2020**

**No. P/M/SR/2020 :** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Bamboo Development and Promotion Organisation (BADPO)"** on 17th June, 2020 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of the Whole State of Manipur.

In the matter, notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Assn. for submitting/ inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or secretary with seal for orgn.) to the undersigned against the formation/registration of propose society/organization/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complaints/objections if not submitted during the mentioned period, the application for registration in the proposed name of Assn./NGO/Orgn. may be initiated/considered/proceeded for registration as deemed fit under Section 7 (1) (2) of MSR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/ special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- **T. Pradwipkumar Singh**
Asst. Registrar of Societies, Manipur
HL-P/7727/13,14&15

### OFFICE OF THE IBOTOMBI INSTITUTE OF EDUCATION

**Kha Naorem Leikai (Liwa Road)**

**/ APPOINTMENT NOTIFICATION**

13th October, 2020

MIMA/IIE/Apt./2020/589 : Application is invited in plain paper from the deserving candidates for the following posts listed below. The application along with a copy of Curriculum-Vitae photocopies of certificates and mark sheets (from matric onwards till last exam passed) and other documents should reach the Office on or before 23rd October, 2020.

| Sl. No. | Name of the post | No. of Post | Minimum Qualification |
|---|---|---|---|
| 1 | Principal | 1 | As per NCTE norms |
| 2 | Faculty of Perspective in Education or Foundation Course | 1 | As per NCTE norms |
| 3. | Faculty of Curriculum and Pedagogic Course (Physical Science, Biological Science, Mathematics) | 3 | As per NCTE norms |

Note : The College Management Committee reserve the right to appoint or not to appoint, increase or decrease the vacancy advertised.

For detail contact the Office on all working days between 11:00 a.m. to 03:00 pm.

Sd/- **Samantajit Mayengbam**
Administrative Officer
HL-P/7752/15

**SARASWATI INSTITUTE OF MANAGEMENT & PARA-MEDICAL SCIENCES**
*Opp. to 6th IRB, MPTC Pangei, Imphal East*
Affiliated to Manipur University & Approved by the Ministry of HRD, New Delhi
Contact No. : 98565 75163 / 94022 33554
Email : plusphijam27@gmail.com www.simpsimphal.com
100% Job placement
ADMISSION NOTICE
Estd. since 2016
B.Sc. (MLT, RIT, OTT)
B.Sc. Forensic Science
Diploma in Pharmacy
Diploma (MLT, RIT, OTT, DIALYSIS)
Last date of Form Submission 10th September 2020



(HL-B/6322/20/08-19/09 (alt)

**APOLLO ACADEMY**
*Moulding Medical & Engineering Career*
ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE FOR NEET(UG) ASPIRANTS - 2021
- 20 STUDENTS PER CLASS (ONLY EFFECTIVE OFFLINE CLASS)
- FREE STUDENTSHIP FOR MERITORIOUS STUDENTS (LIMITED SEATS)
- FEE CONCESSION FOR NEET(UG) NON FRESHER STUDENTS.

*Class Starts :- 19th October, 2020 Office Timing :- 7.00 a.m to 3.00 p.m.*
FOR DETAILS :- Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.

HL-B/6436/9/10-6/11 (alt)
HL-B/6389/15-23/10(alt)

**TRANSLATING DRAFTING & EDITING AT WONDER WORD WEAVER**

1. Translating works in Manipuri into English.
2. Editing thesis for research scholars.
3. Editing project-works for students.
4. Editing articles for newspaper, magazines, press, etc.
5. Drafting applications or representations.
6. Editing applications or representations.

*Authors, writers, journalists, reporters, research scholars and students can avail the above services at affordable prices.

For details please contact :
WONDER WORD WEAVER
8974642764
Or write to :
wonderwordweaver@gmail.com
phoenixrhymeschool@gmail.com

**/লায়েংজরি — UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

*উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং*

*(অঙৌবা পকপা)*
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

*(তাং-তাং চিকপা)*
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

*(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)*
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফন্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থরক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

*(নুংশং)*
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

*(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)*
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

*নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু*

*(নুপাগী প্রোব্লেম)*
ফন্বী পাবা, নুপাগী ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

*(নুপীগী প্রোব্লেম)*
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

*(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)*
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

*(শমগী প্রোব্লেম)*
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking.

HL-B/6430/04/10-02/11

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীথংসু অথবা মশা মশাগিনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীথংসু থোইদোক্না মরী লৈনদে।